[illegible]



[illegible]






[illegible]

# ঙসিগী রাষি ফল (০২-০৯-২০২৬)

## ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হোৎনজমন কান্নবা, চাওখৎপা, ফগৎপা, থৌরম পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** চরাংনবা, লুশিন্না খনবা, থবক মচা মচাদি পাঙথোকপা, মরুপ্না য়েৎশিল্লকপা, শাগৈনা য়েংথিবা, শেল ফংবা চৎপা মান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল ফকচিনগনি।

**মিথুনঃ** তিন্নবশিংনা অর্থ লান্না লৌবিবা, শেল চৎপা, কোক শাবা ওইরগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি। মীগী মতেং পাংলুদবা ফগনি। শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা মায়োক্নবা, শেল ফংবা পোৎ লৈবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**সিংহঃ** হোৎনজমন কান্নবা, মকোক ওইবশিংনা নুংশিবিবা, ঐগী ওইবা মরুপ মফম ফগৎপা, চাংয়েংনবদা মায় পাকপা, শীংথাবিবদা য়াওবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**কন্যাঃ** চেকশিন্না হৈ শিংনা হোৎনজগনি। অরুবা থবক্তি পাঙথোক্লগনি। মমল য়াম্বা পোৎ লৈবা য়াগনি। মিংচৎ হেনগৎলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**তুলাঃ** শাওদবা তপথবা খৎনদনবা হোৎনবা ফগনি। থবক খরদি মায় পাক্লগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**বৃশ্বিকঃ** পাঙথোকপদা লুনা থোকপা পাঙথোকপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা, মিংচৎ হেনগৎপা, শীংথাবিবদা য়াওবা ওইবা নুমিৎনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী –লৌশিং হেনগৎলগনি।

**ধনুঃ** ৱাখল লাঙবা অমা নৎত্রগা অমা খনবা তৌরগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা থেংনবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**মকরঃ** চেকশিন্না হৈ শিংনা হোৎনজগনি। চাংয়েংনবদা মায় পাক্লগনি। মিংচৎ হেনগৎপা, শীংথাবিবদা য়াওবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**কুম্ভঃ** শাওদবা, তপথবা ফগনি। মুন্না খল্লগা থবক তৌগনি। য়েংশিনবা কল্লকপা, শাগৈনা য়েংথিবা নুমিৎনি। পোৎ লৈবদি য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**মীনঃ** চেকশিন্না হোৎনজবতনা অফবা ফল ফংলগনি। ইথক থোংবশিং, লমলানবশিংনা চানবিরগনি। মকোক ওইবশিংনা চানবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।



[illegible]



[illegible]

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1066**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | | 7 | 3 | | | | 1 |
| | 1 | 7 | 6 | | | | 2 | |
| | 2 | | | 1 | 5 | 7 | | |
| | 7 | 1 | | | 6 | | | 2 |
| 6 | 4 | | | | 7 | | 5 | |
| 2 | | 8 | 5 | | | | 1 | |
| | | 6 | 2 | | | 3 | | |
| | | | | 7 | 1 | | | 6 |
| 7 | | | 8 | | | 1 | | |

সনা–সুদোকু–১০৬৬গী সোল্যুসন লমাই ৬দা

# ইন্দিয়াগী জি দি পি চাদা ৭.৮ য়ৌবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লকদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী শেল অরেম্বদা মাঙহন্দনবা ফোরেন ট্রিপতগী নাথৈদুনা লৈনবা আপিল তৌরক্লি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): তোঙান তোঙানবা রিজনদা থোক্লিবা হিংশা য়াওবা থৌদোক ৱাথোকশিংনা মরম ওইরগা মালেমগী ওইনা ইকোনোমিগী ফিভম ফৎতনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা লৈবাক অসিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক (জি দি পি) চাদা ৭.৮ য়ৌনা মায় পাক্লা চংশিনবা ঙম্লে হায়না লৈবাক মীয়ামদা থাগৎপা ফোঙদোক্লকদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তোঙান তোঙানবা মালেমগী লৈবাকশিংদা চৎতুনা মীয়াম্না অরেম্বদা শেল মাঙহনবগী মহুৎ ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অসিবু ৱাৎত–পাদবা খূৎকন–পাঙ্গনবা অমা ওইনবা চংশিল্লিবা অত্মা নির্ভর ভারত কেম্পেন অসিবু হেন্না মায় পাক্লবগীদমক লৈবাক অসিদা শাজবা পোথোকশিংনা হেন্না মপুং ওইনা শিজিন্ননবা আপিল তৌরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স অমদি ইনষ্টাগ্রাম একাউন্দদা থাদোরকপা ভিদিও মেসেজ অমদা হায়, লৈবাক অসিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক (জি দি পি) চাদা ৭.৮ মায় পাক্লা চংশিনবা ঙম্লে। মসিগীদমক্তা লৈবাক মীয়ামবু মহাক্কী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি।

লৈবাক মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা হোৎনবদগী ইন্দিয়াগী জি দি পি অসি মায় পাক্লা চংশিনবা ঙম্বনি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা রিজনশিংদা হিংশা য়াওবা থৌদোক ৱাথোক কয়া পাকশন্না থোক্লি। ঐখোয় মীওইবনা ঙসি লৈরিবা মালেম অসি তোঙান তোঙানবা মখলগী ক্রাইসিসশিংনা য়োমশিল্লগা লৈ। তোঙান তোঙানবা ক্রাইসিসশিং অসিনা মরম ওইরগা সপ্লাই চেনদা অদুক্কী মতিক চৈথেং পীরি।

২০২০দা থোকখিবা কোভিদ পেন্দামিক্তগী হৌরগা ঙসি ফাওবা মফম অমত্তদা তংদু লৈতানা লৈবা মফম অমত্তা উবা ফংদনা লৈরি। অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা ক্রাইসিসশিংনা মরম ওইরগা অৱাবা চৈথেং মায়োক্লকদুনা লৈরবসু চাওখৎপগী লম্বীদা ইন্দিয়ানা খুমাঙ চাওশিন্না চংশিনবা ঙম্লি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখি, লম কোয়বগীদমক লৈবাক মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চৎলোইদবনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লুহোং খোঙদোংবগী থৌরম শিল লাংবগী থবক চখুরোইদবনি।

লৈবাক মীয়াম্না ‘ৱেদ ইন ইন্দিয়া’ হায়বদি লুহোং খোঙদোঙবগী থবক লৈবাক অসিখক্তদা পাঙথোকপা হায়বা মন্ত্রা অসিদা য়ূমফম ওইরগা ঐখোয় খুদিংমক্লা ইনগদবনি। মথৌতারবদি অরেম্বদা সনা–লুপা লৈশিল্লোইদবনি। লৈবাক অসিদা পুথোকপা পোশাক খক্তমক্তা য়ূমফম ওইদুনা শিজিন্নবগী খোঙথাং অসি মখা তানা শিজিন্নরবদি লৈবাক অসিগী নিংতম্বা চহী ১০০ শুরকপগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা দিভলপ ইন্দিয়া অমা খূৎশিন্নবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেটিটিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসনগী মায়কৈদগী থোকপা দাটা অমগী মতুং ইন্না চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা লৈবাক অসিগী জি দি পি চাদা ৭.৮ য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

## মোদিবু কোংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী জি দি পি চাদা ৭.৮ য়ৌদুনা মালেমগী ওইনা ইকোনোমিগী লমদা ইন্দিয়া খুমাঙ য়াঙশিন্না চংশিনবা ঙম্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেস পার্টিগী স্পোক্সপার্সন সুপ্রিয়া শ্রীনাতেনা ফোঙদোকখি, নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম হেক পুখিবা মতমদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবদা জি দি পি চাদা ৩.৫ চাংচৎতা চৎলি। ২০৪৭দা দিভলপ ইন্দিয়া অমা ওইনবা থল্লিবা পান্দম অসি মঙফাওনবা ঙম্নবগীদমক তঙাইফদনা লৈবাক অসিগী জি দি পি চাদা ১২ য়ৌনা চংশিনবগী মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ‘এস সি ও অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা টেরর ইকোসিষ্টেম থুগাইবা মথৌ তাই’



বাইসেখ, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): সাংহায় কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও)গী মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা টেরোরিজমগী লৈরিবা ইকোসিষ্টেম অসি থুগাইবদা নৎতনা কদাইদগী সেন্থং থাদদুনা টেরোরিজমগী থৌওং চথুরিবনো হায়বা অসি থিদোকপা মথৌ তাই। টেরোরিজমবু মরুফংনা মুখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্লা মায়থোঙ অনি উপ্পগী থৌওং চথুরোইদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

কিরগিষ্টানগী কেপিটেল বাইসেখতা পাঙথোকপা সাংহায় কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন ২০২৬কী সম্মিট অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোক্লিবা লান অমদি মুক্নবগী থৌদোক ৱাথোকশিং অসি দাইলোগ অমদি দিপ্লোমেসিগী খোঙথাং লৌখৎতুনা ইং–তপ্পা হঞ্জিলক্নবা হোৎনগদবনি। লান শোক্লবনা মখল অমত্তগী সোল্যুসন পুরকপা ঙম্লোই। লৈবাক খুদিংমক্লা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্টগা মরী লৈনবা কনেক্টিভিটি প্রোজেক্টশিং অসি য়ূমথংনবা লৈবাকশিংগী লৈরিবা সোভরেন্টি অমদি টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লা চথবা মথৌ তাই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লৈবাক মীয়ামদা ইমপ্লোয়মেন্ট গেরেন্টি পীরিবা এম জি এন আর ই জি এ মোদি লৈঙাক্লা মপাঙ্গল শোন্থহল্লে: কোংগ্রেস



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদা লৈরিবা লাইরবা মীয়ামগী লাইফলাইন অমা ওইরিবা এন জি এন আর ই জি এবু নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক্লা মপাঙ্গল শোন্থহল্লে, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা রুরেল এমপ্লোয়মেন্টগী অনৌবা লো অসি লৈবাক মীয়ামদগী এমপ্লোয়মেন্ট মৎপগী থৌওংনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী সেক্রেটরি ইন–চার্জ কম্যুনিকেসন জয়রাম রমেশনা ফোঙদোকখ্রে।

জয়রাম রমেশনা মহক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ভি ভি রাম জি হায়না নৌনা মিং থোন্দুনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লাইরবা মীয়ামগী লাইফলাইন ওইদুনা লাক্লবা এম জি এন আর ই জি এবু থুগাইবগী থবক চথুরি।

পার্লিয়ামেন্টতা বি জে পিগী মায়কৈদগী চাওরা চাওরবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি। অদুবু ৱাফমশিং অদু গ্রাউন্দদা থবক্তা ওন্থোকপগী মমি অমত্তা তাবা উদে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এম জি এন আর ই জি এবু শুন্নতগী ভি ভি জি রাম জিদা নৌনা মিং ওনবগী চথুরিবা থৌওং অসি লাইরবা মীয়ামদা পীরিবা এমপ্লোয়মেন্ট গেরেন্টি অসি অতম্ননা মৎনবা বি জে পিনা চথবা থৌওংনি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ভি ভি জি রাম জি এক্ট চৎনবা হৌখিবা অদু নৌনা রিপিল তৌদুনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদগী চৎনদুনা লাক্লবা এম জি এন আর ই জি এবু অমুক হন্না রেষ্টোর তৌগদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনখিবসু লৈখ্রে।

অসিদা নৎতনা ইকোনোমিষ্ট অনুক সাথপাথিনা লুচিংদুনা শেমখিবা এক্সপার্ট কম্মিটিনা হৌখিবা চহী ২০১৯দা খূঙ্গংশিংগী ৱার্করশিংদা পীরিবা খূৎশুমন অসি হেনগৎনবা রিকমেন্ট তৌখিবা অদু চৎননবসু ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা তকশিনখিবসু লৈখ্রবনি।

# রসিয়ানা চথুরকখিবা এটেকতা লৈখিদ্রবা মীওই ১২গী মনুংদা ইন্দিয়ান য়াওরি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখ্রে



ক্যিব, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): য়ুক্রেনগী তোঙান তোঙানবা মফমদা রসিয়ানা দ্রোন অমদি মিসাইল ষ্ট্রাইক তৌদুনা চথুরকখিবা এটেক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই ১২গী মনুংদা ইন্দিয়ান সিটিজন য়াওই হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা ফোঙদোক্লদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সিভিলিয়ানশিং অসি খুদোঙথিনিংঙাই ওই। মরম অদুনা খুদক্তগী হৌদুনা লৈবাক অসিগী এয়ার দিফেন্স সপোর্ট সিষ্টেম কনখৎহনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট বোলিদিমির জেলেনস্কিনা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূৎথাংদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী হৌদুনা রসিয়াগী মায়কৈদগী য়ুক্রেনগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা এটেক চথদুনা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমদি সিভিলিয়ান ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া পাকশন্না অমাঙ অতা থোক্লে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী হৌদুনা রসিয়ানা গাইদেদ এরিয়েল বোম অমদি দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা ওদিসা সিটি অমদি অকোয়বদা লৈবা রিজনশিংদা এটেক চথুরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা ইলেক্ট্রিসিটি ফংদবগী অৱাবা মশিং য়াল্লবা মীয়াম্না মায়োক্নরি। রসিয়াগী এটেক অসিদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রে, ক্যিব, ওদিসা, খেরসোন, দোনতক্স, জাপোরিঝিয়া, খরখিক্যেব, সানিহিব, জাইতোময়ার, সুনি অমদি নিপ্রো রিজনদা পাক্তক্লনা য়াম্না চাওনা অমাঙ অতা থোক্লে। রসিয়ানা চথুরকখিবা এটেক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১২ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ান সিটিজনসু য়াওরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা লৈখিদ্রবশিংগী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা ন্যুজ রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না রসিয়ানা চথুরকখিবা খঙহৌদনা এটেক অদুদা ক্যিবতা মীওই ৭, বোরিষ্টিলদা মীওই ৪, লৈখিদে। অদুগা মীওই ১৩না অশোক অপন নংখি। মীওই ৫০ হেনবনা শাফগদবা মফমশিংদা ইভাকুৱেট তৌখি।

ক্যিব অমদি অকোয়বদা লৈবা লানগী চৈথেং নংলবা মফমশিংদা রেস্ক্যু টিমগী মীওই ৩৫০ হেনবনা রেস্ক্যু অমদি রিকোভরি ওপরেসনগী থবক চথুখি হয়না ফোঙদোরক্লি।



**Crossword # 1132**

Across
1. Broadway flop
5. Served perfectly
9. Chose
14. Constantly
15. Great affection
16. Innocent
17. Saga
18. Attention-getting sound
19. Dated ditty
20. City officials
22. Elongated fish
23. Entrance
24. Border on
27. Colorado resort
30. Most important
35. "Silkwood" actress
36. Indulgence
37. Asphalt
38. China, Japan, etc. (2 wds.)
41. Election mo.
42. Afterword
44. At this location
45. Designer Oscar ____ (3 wds.)
47. Author Jules ____
48. Turner and Williams
49. Nobleman
51. Stuffing herb
54. Turtle
58. Turn aside
60. Marco ____
61. Brainstorm
62. TV Host ____ O'Brien
63. Narrated
64. Nays
65. Prepared to pray
66. Soothing plant
67. Alternative word

Down
1. Greek consonant
2. The ____ Office
3. Join together
4. Puppy supplier
5. San Antonio shrine
6. Stick together
7. Equal
8. HST's party
9. Singer Yoko ____
10. Artist's board
11. Ocean movement
12. Malicious
13. Bad grades
21. Director ____ Howard
24. On a ship
25. Affleck and Stiller
26. Army division
27. Performed
28. Figure
29. Jeopardy
31. Frozen raindrops
32. ____ tube
33. Squirrel's treat
34. River embankment
38. Golfer's cry
39. Ripened
40. Baseball scores
43. Type of football pass
44. Leading lady
46. NASA program
47. Former GI
50. Eat away
51. Burlap bag
52. English river
53. Cowboy ____ Autry
54. Hammer or screwdriver
55. Revered one
56. Notices
57. Soothe
59. Explosive inits.
60. School group (abbr.)

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# সি জে পিগী খোঙজংলোইশিংদা পানখিবা এফ আই আরশিং সুপ্রিম কোর্টনা কেন্সেল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): হৌখিবা জুলাই ২০দা নীট পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা মতমদুগী য়ুনিয়ন ইজুকেসন মিনিষ্টর হর্স বর্ধন রিজাইন তৌগদবনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা সি জে পিনা শিন্দুনা ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা চংশিনখিবা খোঙজংদা তোঙান তোঙানবা খোঙজংলোই কয়াগী মথক্তা পুলিসনা পানখিবা এফ আই আর কয়া সুপ্রিম কোর্টনা কেন্সেল তৌখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী জুলাই ২০দা সি জে পিনা চংশিনখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা খোঙজংলোই কয়াগী মথক্তা পুলিসনা এফ আই আর পানখিবশিং অদু ৱিদ্রো তৌরগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রবা মতুং সুপ্রিম কোর্টনা হায়রিবা এফ আই আরশিং অসি কেন্সেল তৌখিবনি। অদুবু খোঙজং অদুদা শরুক য়াবা তোঙান তোঙানবা অচৌবা ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবা খোঙজংলোই ২৮৭৩গী মথক্তা দিল্লি পুলিসনা এফ আই আর পান্দুনা চথুরিবা কেস অদু মখা তানা চথবা য়াবগী অয়াবা সুপ্রিম কোর্টনা পীখ্রে।

সোলিসিতর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া তসর মেহতানা সুপ্রিম কোর্টতা সেন্টর অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী জুলাই ২০দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা সি জে পিগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা পানখিবা এফ আই আরশিং অদু লৌথোকপগী ৱারেপ লৌরে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। অমরোমদা এফ আই আর কেন্সেল তৌরগনি হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং থা অসিগী ৫দা চংশিনগনি হায়না তৌরম্বা সি জে পিগী খোঙজং অদু হন্দোক্লে হায়নসু সি জে পিগী ৱাঙাংলোই শৌরব দাসনা ফোঙদোরক্লি।

## এন সি আই বি শারম্বা অমা ফাখ্রে

বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): নেসনেল ক্রাইম ইনভেষ্টিগেসন ব্যুরো (এন সি আই বি)গী ওফিসিয়েল শাদুনা মীয়ামদা কিহন খঙহন্দুনা শেল লৌথোক্লম্বা মশাগী চহী ৬৪ শুরবা মীওই অমা কর্নাতকা সিটি ক্রাইম ব্রাঞ্চ পুলিসনা ফাখ্রে।

কর্নাতকা পুলিসকী মতুং ইন্না এন সি আই বিগী ওফিসিয়েল শাদুনা মীয়ামদা কিহন খঙহল্লম্বগী থবক চথবদা চেন্নবা ফারবা মীওই অদুগী মমিং সাম পিতর এলাইজ দেনি থরাকন এলাইজ এন্টোনি কৌই। চহী ৩ লোমগী মমাঙদগী মহাকপু ফাননবা পুলিসনা ওপরেসন চথদুনা লাকখিবা মীওই অমসুনি। নেসনেল ইনভেষ্টিগেটিব এজেন্সিগী ওফিসিয়েল শাদুনা পিটরনা তোঙান তোঙানবা কেস মায়োক্লরিবা মশিং য়াল্লবা মীয়ামদগী শেল লৌথোকপগী থবক চথুরম্বনি হানসু পুলিসনা মখা তারক্লি।

## জেলদা লৈরিবা মীওই ২২৬ ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরম্লে

গুৱাহাতি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): তোঙান তোঙানবা কেসশিংদা মীয়াত তাদুনা অসামগী তোঙান তোঙানবা জেলদা লৈরিবা ইনমেট ২২৬ ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখ্রে। থা ৪গী মনুংদা মশিং য়াল্লবা ইনমেট কয়া ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখিবা অসিবু লুন্না লৌরদুনা চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা দিটেল এগজামিনেসন চথনবা মরীলৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা ফোঙদোকখি, থা ৪গী মনুংদা অসামগী জেল কয়াদা মীয়াৎ তাদুনা লৈরিবা ইনমেট কয়া নৌনা ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরে হায়না রিপোর্ট লাক্লিবা অসি অসাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং চংদুনা মথৌ তাবা এগজামিনেসন চথনবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা জেল ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না নৌনা ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইবা থেংনরকখ্রবা ইনমেটশিং অদু অয়াম্বনা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি পি এস) এক্টকী মখাদা তোঙান তোঙানবা কেস মায়োক্লরিবা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এইটচ কন্ট্রোল কম্মিটিগী মেম্বর কয়ানা তাঙ্কক নাইনা ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরবা ইনমেটশিংবু মথৌতাবা মিদিকেল ট্রিদমেন্ট চথবগা লোয়ননা কাউন্সিলিং তৌদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইবা নৌনা থেংনরকখ্রবা ইনমেটশিং অদু মথৌতাবা ট্রিদমেন্ট চথনবগীদমক সিলচর মিদিকেল কোলেজতা রিফর তৌখ্রে হায়না সিরিভুমি দিষ্ট্রিক্ট জেল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# ওগষ্ট থাদা চুফম থোকপা নোংগী চাং য়ৌনা চুখিদবা অদু চৎলিবা সেপ্টেম্বর থা অসিদসু মখা তানা শমথগদৌরি: রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): হৌখিবা ওগষ্ট থাদা লৈবাক অসিদা চুফম থোকপা নোংগী চাং য়ৌদনা চুখিবা অদু চৎলিবা সেপ্টেম্বরর থা অসিদসু মখা তানা শমথখিগদৌরি হায়না ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

আই এম দিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা ওগষ্ট থাদা লৈবাক অসিদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ৭৪১ কুপ্না মোনিটর তৌখি। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৩১২না চুফম থোকপা নোংগী চাং য়ৌনা নোং চুখিদে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ৩৮না কাহেন্না নোং চুদবদগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লখি।

আই এম দিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি, চৎলিবা সেপ্টেম্বর থা অসিদা ওরিষা, বিহার, ঝরখন্দ, উত্তর প্রদেশকী খা থংবা শরুক, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম লদাখ অমদি মধ্য প্রদেশকী খা থংবা শরুকশিংদা নোং চুবগী চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই অদুবু লেমহৌরিবা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিংদদি চুফম থোকপা নোংগী চাং ময়াই ওইরপ চুরবা য়াই।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা লৈবাক অসিগী ওইনা মেঘলয়া, অরুনাচল প্রদেশ, বিহার, পঞ্জাব অমদি কেরলাদা চুফম থোকপা নোংদগী য়াম্না কাহেন্না হন্থনা নোং চুখি। অদুগা চহী অসিদা ওরিষাদা লেপ্তুনা নোং চুবদগী ষ্টেট অসিদা চুফমথোকপা নোংগী চাংদগী চাদা ২৫ হেন্না নোং চুখি হায়না আই এম দিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

# বিহার অমদি ঝরখন্দগী মরক্তা নৌনা এম ও য়ু সাইন তৌনখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি): বিহার অমদি ঝরখন্দগী মরক্তা চেল্লিবা সোনে তুরেলগী ঈশিং ষ্টেট অনিনা পূন্না শিজিন্নবদা অয়াবা পুরক্তুনা নৌনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খূৎয়েক পীনখ্রে।

চহী ২৫ রোম বিহার অমদি ঝরখন্দগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা য়েৎনদুনা লাকখিবা অদু য়াশিন্নবা পুরক্তুনা ষ্টেট অনিগী মরক্তা সোনে তুরেলগী ঈশিং পূন্না শিজিনমিন্নবগী পান্দমদা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনবগী থৌরম অদুদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহসু শরুক য়াখি।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখি, বিহার অমদি ঝরখন্দগী মীয়াম্না সোনে তুরেল পূন্না শিজিনমিন্নবগী মতাংদা খূৎয়েক পীনখিবা অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অনি অসিদা লৈরিবা লৌমী লাক্ষ কয়ানা লৌউ–শীংউগী থবক মায় পাক্লা চংশিনবা ঙম্বগী মথক্ত অফবা মহিক মতাই চেন্দবা থক্লনবা ঈশিংসু মরাং কায়না ফংলগনি।

**সনা–সুদোকু–১০৬৬গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 1 | 3 | 5 | 9 | 4 | 8 | 7 |
| 7 | 5 | 9 | 4 | 8 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 3 | 4 | 8 | 7 | 6 | 2 | 5 | 1 | 9 |
| 6 | 8 | 2 | 1 | 4 | 3 | 7 | 9 | 5 |
| 5 | 1 | 3 | 9 | 7 | 6 | 2 | 4 | 8 |
| 4 | 9 | 7 | 8 | 2 | 5 | 6 | 3 | 1 |
| 1 | 2 | 6 | 5 | 9 | 4 | 8 | 7 | 3 |
| 9 | 7 | 4 | 6 | 3 | 8 | 1 | 5 | 2 |
| 8 | 3 | 5 | 2 | 1 | 7 | 9 | 6 | 4 |

# পাকিষ্টানদা মদ্রাসাগীদমক চহী ১০০ হেন্না লিরবা হিন্দু লাইশঙ থুগায়খ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি):

পাকিষ্টানগী নোংপোক থংবা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা চহী ১০০ হেল্লবা হিন্দু লাইশঙ অমা, মদুগী লম অদু থংনবদা লৈবা মদ্রাসা অমা পাকথোক চাওথোকপদা শিজিন্নবগীদমক হৌখিবা থাদা থুগাইখ্রে।

পাউগী এজেন্সি পি টি আইগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, টেহরিক-ই-লব্বাইক পাকিষ্টান (টি এল পি) কৌবা পার্টি অমগী মেম্বরশিংনা হিন্দু লাইশঙ অদুগী লম অদু থংনবদা লৈরিবা সেমিনারি অমগী লম ওইনা হাপচিন্নবা ওগষ্ট ২১দা লাইশঙ অদু থুগাইখিবনি।

অদুম ওইনমক গভর্নমেন্টনদি চহী ১০০-১২৫ শুরবা লাইশঙ অদু লমদম অদুদা নোংকন্না চুবদগী নিংখায়খিবনি হায়খি।

লম স্কৱার মিটর ১০০০ রোম কোনশিনবা



অরিবা লাইশঙ অদু লাহোরদগী কিলোমিটর ১৩০ রোম লাপ্পা নারোৱালগী সিরাজ খূনদা লৈবনি।

রিলিজিয়স ষ্ট্রকচর থুগাই হায়বদুদা চেন্নবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা অমসুং লাইশঙ অদু অমুক হন্না শান্নবা মাইনোরিটি-ফোকস পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা পাকিষ্টান মনিসা মিলাত পার্টি (পি এম এম পি)না চীফ মিনিষ্টর মরিয়ম নৱাজ সরিফনা লুচিংবা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টতা আপিল তৌখ্রে।

পি এম এম পি চিয়ারমেন অস্লাম পরভেস সাহোত্রানা ওগষ্ট ২৮দা পঞ্জাবকী এদিসনেল হোম সেক্রেটরি উন্নখ্রে অমসুং চেন্নবশিং অমসুং লাইশঙ অদু ঙাকপা ঙমদবগী মরাল শীরিবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা এপ্লিকেসন অমা থাঙ্গৎখ্রে।

মহাক্না হায়রিবা হিন্দু লাইশঙ অদু হান্নগী মওং অদুদা অমুক হন্না শান্নবা তকশিনখি অমসুং হিন্দু টেম্পলশিং, সিখ গুরুদ্বারাশিং অমসুং খৃষ্টিয়ান চর্চশিংবু পঞ্জাবতা মখোয়গী থংনবদা লৈরিবা প্রোপর্টিশিংগা লোয়ননা ঙাক্নবা গভর্ণমেন্টতা আপিল তৌখি।

# পাক কোর্টনা ইমরান খান, বুশ্রা বি বিগীদমক অচৌবা অৱাবা কোকহনখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি):

জেলদা থল্লিবা পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান অমসুং মহাক্কী নুপী বুশ্রা বি বিগীদমক মখা তানা সোলিটরি কনফাইনমেন্ট অমত্তা লৈররোই, পাকিষ্টান কোর্ট অমনা অথিংবা থমখ্রে। ইস্লামাবাদ হায় কোর্টনা জেল লোজ মতুং ইন্না খান অমসুং মহাক্কী নুপীগী মরক্তা উন্নহন্নবা অদিয়ালা জেল ওথোরিটিজনা দাইরেক্টিব পীখ্রে।

মশাগী চহী ৭৩ শুরবা ক্রিকেটরদগী পোলিটিসিয়ান ওইরকখ্রবা অমসুং মহাক্কী নুপী করপসন অমসুং মরীলৈনবা কেসশিংদা জেলদা শাংলবা চৈরাকশিং ফংদুনা রৱালপিন্দিগী অদিয়ালা জেলদা হৌজিক থল্লি।

খানগী মচন আলিমা খাননা পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইন্সাফ (পি টি আই) পার্টি ফাউন্দর অদুবু সোলিটরি কনফাইনমেন্টতা থল্লিবা অদুগী মায়োক্তা কোর্টতা ৱাকৎখিবা মতুং, অদুগা বুসরা বিবিগী মচানুপী মুবাসহরা খাৱার মনেকানা মাগী মতাংদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখিবা মতুং ৱায়েল অদু পীরকখিবনি।

ৱায়েল অদু লাউথোক্লদুনা ইস্লামাবাদ হায় কোর্ট জষ্টিস খাদিম হুসেন সুব্রোনা খানগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংবু জেল রুলস মখাদা অয়াবা পীবা মতুং ইন্না মহাকপু উন্নবা য়াহনগদবনি হায়নসু দিরেক্টিব পীখি অমসুং মহাক অমসুং মহাক্কীমচানুপাশিংগী মরক্তা টেলিফোনদা ৱারী শান্ননবগীদমক থৌরাংশিং শিজিন্নবা ওথোরিটিজদা ওর্দর তৌখি।

ইমরান খানদা নুমিৎ খুদিংগী পাউচেশিং অমসুং লাইরিকশিং পীনবা অমসুং জেল রুলস মতুং ইন্না মহাক্না শোয়দনমক মেদিকেল ফেসিলিটিজ ফংনবা হায় কোর্ট অদুনা অদিয়াল জেল ওথোরিটিজদসু ওর্দর তৌখি।

কোর্টকী দিরেক্টিবশিং অসি শোয়দনমক থবক্তা ওন্থোক্লবা অমসুং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা কমপ্লায়েন্স রিপোর্ট অমা থাগৎলক্নবা আদিয়ালা জেল সুপরিন্টেন্ডেন্টতা খঙহনখ্রে।

ইমরান খান অমসুং মহাক্কী পার্টি পি টি আইনা পোলিটিকেলগী লমন খুম্বনি হায়না ফোঙদোকপা কনভিক্সনশিংগী মতুং ওগষ্ট ২০২৩দগী মহাকপু জেলদা থল্লখি। মহাক্কীনুপী বুসরা বিবিবু করপসনগা মরী লৈনবা কেস অমদা কনভিক্সন পীরবা তুংদা জনুৱারি ৩১, ২০২৪দা জেলদা থমখি। মহাক জেলদা থা ৯ লোম লৈরবা তুংদা চহী অদুগী ওক্টোবর ২৪দা বেলদা থাদোকখি। অদুবু অতোপ্পা করপসনগা মরী লৈনবা কেসতা মহাক্কী কনভিক্সন মতুং জনুৱারি ১৭ ২০২৫তা মহাকপু অমুক হন্না ফাখি অমসুং করপসনগী মরীলৈনবা কেসশিংদা অহেনবা চৈরাকশিং ফংবদগী অদিয়ালা জেলদা দিটেন তৌদুনা থমখি।

# কানাদানা য়ু এসকী পোখোক কয়াদা চাদা ৫০ টারিফ লৌরগনি

ওট্টাৱা, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি):

হ্বাইট হাউসনা অনৌবা ইম্পোর্ট টেক্সশিং লৌরকখিবা অদুগীদমক লমন খুমদুনা কানাদানা য়ু এসতা শাবা পোখোক চা কয়াদা টারিফশিং হেন্না লৌরগনি।

য়ু এস ষ্টীল, এল্যুমিনিয়ম, ফর্নিচর, গোল্ফ ক্লবশিং, এপরেলনচিংবা অসি কনাদাগী ঙমখৈ লানশিল্লকপদা চাদা ৫০ য়ৌনা টেক্স লৌগদবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা য়াওরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক কেরনিগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

সেপ্টেম্বর ৮দগী চৎনবা হৌগদবা খোঙথাংশিং অসি ২০২৪ দাটাদা য়ূমফম ওইরগা য়ু এসতগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১৯.৯ (কানাদিয়ান দোল্লর বিল্লিয়ন ২৭.৬)কী ওইগদবা ইম্পোর্টশিংদা লৌরি। ষ্টীল অমসুং এল্যুমিনিয়ম পোখোকশিং চাদা ২৫ নৎত্রগা ৫০গী টারিফ লৌগনি।

দাইরি প্রদকশিং, মিল্ক, ক্রিমনচিংবা পোথাকশিংসু চাদা ৫০গী লেভি লৌগনি। চিজ অমসুং কর্দকী পোখোকতা চাদা ২৫ লৌগনি।

প্লাইবুদ অমসুং পেপর পোখোকশিং চাদা ২৫ নৎত্রগা চাদা ৫০ লৌগনি। ফর্নিচর, কার্পেটস অমসুং লাইটিংগী পোখোকশিংদা চাদা ২৫ নৎত্রগা চাদা ৫০গী টেক্স লৌগনি। ফার্ম ইক্যুপমেন্ট, মেসিনরি অমসুং টুলস চাদা ১৫, চাদা ২৫ নৎত্রগা চাদা ৫০ তারিফ লৌগনি। টার্গেটশিং অসিগী মনুংদা লোন মোৱরশিং, চেন সোশিং, টৱার ক্রেনশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল রোবোটশিং য়াওরি। গাড়ী মখল খরা, রেল লোকোমোটিবশিং চাদা ২৫, মোটোর সাইকলশিং চাদা ৫০ অমসুং ট্রেলরশিং চাদা ২৫গী টারিফ লৌগনি। টারিফ লিষ্ট অসিদা কোপ্পর ৱ্যার অমসুং ৱুদ চার্কোল চাদা ৫০গী টারিফ লৌগনি। মখোয় অসি ঙাগী পোখোকশিংগী মহুৎতা ওগষ্ট ২৬তা থোকখিবা টারিফ লিষ্টতা অহেনবা হাপচিনবা আইটেমশিংগী মরক্তনি।

# মালেমগী খ্বায়দগী তমথিবা থৌদোকশিং থোকখিবা চপমান্নবা নুমিৎ অমা: ২৬ শুবা তারিখ



ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি):

কেলেন্দরদা ২৬ শুবা তারিখ অসি, ওগষ্ট ২৬, ২০২৬ তা থোকখিবা শাথিবা নেপাল ফ্লাশ ফ্লদস নৎত্রগা দিসেম্বর ২৬তা টর্কিদা মীওই লিশিং কয়া শিখিবা ১,৯৩৯গী য়ূহার হাবদু ওইগেরা, মহৌশানত্তবা মাঙতাকপা থৌদোক কয়ামরুম থোকপা নুমিৎ অমা ওইরি।

হায়রিবা তারিখ, ২৬শুবা অসিদা থোকখিবা অচৌবা অৱাবা থৌদোকশিংদু করিনো অমুক্তং য়েংশি।

নেপাল ফ্লাশ ফ্লদস (ওগষ্ট ২৬, ২০২৬): ভোতে কোশি রিভর সিষ্টেমদা ঈশিং অমসুং দেব্রিস খুদক্তা খঙহৌদনা চেন্থরকখিবা মতুং নেপালগী রাসুৱা দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ঈচেন মখাদা লৈবা মফমশিংদা পাকশন্না খুদক্তা ঈশিং ঈচাওশিং থোকপদা মী ১০০০ হেন্না শিখি, ৮০০০ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরি। মীওই লিশিং কয়াগী য়ূম মাঙতাকখ্রে, নোপালগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর পুন্বা থুগায়খ্রে।

হিন্দুকুশ য়ুহার হাবা (ওক্টোবর ২৬, ২০২৫): হিন্দুকুশ রিজনদা মেগ্নিচুদ ৭.৫গী য়ুহার হাখিবা অমদা মীওই ৪০০ হেন্না শিদুনা পাকিষ্টান, আফগানিষ্টান অমসুং অৱাংথংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিং নীকখি।

ইন্দোনেসিয়া য়ুহার হাবা (মে ২৬, ২০০৬): ইন্দোনেসিয়াগী জাভা ঈথৎ মোগিয়াকার্তাদা মেগ্নিচুদ ৬.৩গী য়ুহার হাবা অমদা মী ৫,৭০০ হেন্না শিখি। য়ুম অমসুং বিল্ডিং লিশিং কয়া মাঙতাকখি।

মুম্বাই ঈশিং ঈচাউ (জুলাই ২৬, ২০০৬): মুম্বাইদা পুং ২৪গী মনুংদা এম এম ৯৪৪ য়ৌনা নোং হৈথরকখিবদা তমথিরবা ঈচাউদা সিটি অসিদা মী ১০৯৪ শিখি। লম্বী-থোং, রেলৱে লাইন্স, য়ুম পুন্বা থুমদুনা মহৌশাগী পুন্সি চপ লেপহনখি।

ইন্দিয়ান ওসিন আর্থক্কেক অমসুং সুনামি (দিসেম্বর ২৬, ২০০৪): পুৱারীদা খ্বায়দগী তমথিবা অৱাবা থৌদোকশিংগী মনুংদাঅমা ওইনা, ইন্দোনেসিয়াগী সুমাত্রা তোব্বার্ন মনাক্তা মেগ্নিচুদ ৯.১ য়ৌবা শাথিনা কনবা য়ুহার হাবা অমনা সুনামি থোকহল্লকখিবদা ইন্দোনেসিয়া, শ্রীলঙ্কা, ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দদা মী লাখ ২.২৮ লোম শিখি।

বাম আর্থক্কক, ইরান (দিসেম্বর ২৬, ২০০৩): ইরান সিটি বামদা মেগ্নিচুদ ৬.৬ কী য়ুহার হাবা অমদা মী ৩১,০০০ রোম শিখি। বিল্ডিং লিশিং কয়া নীংখায়দুনা হিষ্টরিক সিটি অদুদা পাকশন্না অতেক-অকায় থোকহনখি।

আফগানিষ্টান আর্থক্কেক (মার্চ ২৫-২৬, ২০০২): অৱাংথংবা অফঘানিষ্টানদা মার্চ ২৫-২৬তা নুমিদাংদা য়ুহার হাবশিংদা মী ১৮০০ রোম শিখি।

গুজরাত আর্থক্কেক (জনুৱারী ২৬, ২০০১): ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী মীশি-মীনা থোকপা অৱাবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা কটচ রিজনদা অকনবা য়ুহার হাবা অমদা মী ২০,০০০ লোম শিখি, লাখ ১.৬ লোম শোকখি অমসুং পাকচাউরবা লমশিং মাঙতাকহনখি।

গোনঘে আর্থক্কেক, চাইনা (এপ্রিল ২৬, ১৯৯০): মেগ্নিচুদ ৭কী য়ুহার হাবা অমা চাইনাগী কিংহাই প্রোভিন্স তা হাখিবদা গোনঘে রিজনদা শাথিনা অতেক-অকায় থোকখি, মী ১০০ হেন্ন শিখি।

পন্টার আর্থক্কেক অমসুং সুনামি, ইন্দোনেসিয়া (নবেম্বর ২৬, ১৯৮৭): ইন্দোনেসিয়াগী পন্টার এরিয়াদা মেগ্নিচুদ ৬.৫গী য়ুহার হাখিবা সুনামি থোকখি, মী ১২৫ শিখি।

জাপান আর্থক্কেক (মে ২৬, ১৯৮৩): অকিবা অমসুং আওমেরি প্রিফেকচরশিংগী তোব্বার্নগী লমশিংদা য়ুহার হাবদা অকনবা অমদা মী ১০৮ শিখি।

য়ুগোস্লোভিয়া আর্থক্কেক (জুলাই ২৬, ১৯৬৩): য়ুগোস্লোভিয়াগী স্কোপজেদা মেগ্নিচুদ ৬.১গী য়ুহার হাবদা মী ১০৭০ লোম শিখি, মী লাখ হেনবগীময়ূম লৈহনখিদে।

টর্কি আর্থক্কক (নবেম্বর ২৬, ১৯৪৩): টর্কিগী লাদিক -সামসন হাবজা রিজনদা মেগ্নিচুদ ৭.৫কী য়ুহার হাবদা মী ৪০২৬ শিখি। লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরুকশিং পাকশন্না শোকখি।

টর্কি ক্বেক (দিসেম্বর ২৬-২৭, ১৯৩৯): টর্কিগী এরজিনকান রিজনদা মেগ্নিচুদ ৭.৮কী য়ুহার হাবদা মী ৩২৭০০ রোম শিখি।

লেরিসসোস আর্থক্কেক, গ্রীস (সেপ্টেম্বর ২৬, ১৯৩২): গ্রীসকী চালকিদকী পেনিনসুলাদা অকনবা য়ুহার হাবা অমদা মীওই ১৬০ রোমদগীনা ৫০০ রোম শিখি।

নোর্থ ইজু আর্থক্কেক, জাপান (নবেম্বর ২৬, ১৯৩০): মেগ্নিচুদ ৭.৩গী য়ুহার হাবা অমদা মী ২৫০দগী ২৭২ ফাওবা শিখি।

মীনা থোকহনবা খুদোঙথিবা থৌদোকশিং :

কারকোশ ৱেদ্দিং হোল ফায়ার, ইরাক (সেপ্টেম্বর ২৬, ২০১৩): ইরাককী করাকোশ ৱেদ্দিং হোল অমা ইন্দোর পায়রোটেক্নিক্সনা য়াম্না শাথিনা মৈ চাকুনবা মেটরিয়েল অমা মৈ হৌহল্লকখিবদা হোল পূম্বদু মৈ চাক্লকখি। মদুদা মীও ১০০ হেন্না শিখি। ময়াম অমা শোকখি।

কাবুল এয়ারপোর্ট বোম্বিং (ওগষ্ট ২৬, ২০২১): অফগানিষ্টানদা য়ু এসনা লুচিংবা মিলিটরি ফোর্সশিং লৌথোকপগী থবক চথরিঙৈ কাবুলদা হামিদ করজাই ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট মনাক্তা ইস্লামিক ষ্টেট-খোরাসন প্রোভিন্সকী সুইসাইদ বোম্বর অমনা এক্সপ্লোসিব অমা পোকখায়হল্লকখিবদা অফগানিষ্টান মীচম ১৭০ অমসুং য়ু এস লান্মী ১৩ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮৩ শিখি।

মুম্বাই টেরর এটেক্স (নবেম্বর ২৬, ২০০৮): নবেম্বর ২৬, ২০০৮কী নুমিদাংদা সত্রপতি শিবাজি মহারাজ টর্মিনস অমসুং টাজ মহল পেলেস হোটেল য়াওনা এল ই টি টেরোরিষ্ট ১০না মুম্বাইগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অমগা অমগা মরীলৈনবা এটেকশিংদা নুমিৎ হুন্নিদা পূন্না মীওই ১৬৬ শিখি। ৩০০ হেন্না শোকখি।

লাওদা এয়ার ফ্লাইট ক্রাস (মে ২৬, ১৯৯১): বেঙ্কোক্তগী ভিয়েন্নাদা পাইবা লাউদা এয়ার বোইং ৭৬৭দা ইঞ্জিনদা অশোয়বা অমদগী মচেৎ তানা কায়দুনা থাইলেন্দা ক্রাস তৌখি। মদুদা তোংবা মী ২২৩ লোয়নমক শিখি।

চেরনোবিল ন্যুক্লিয়ার দিজাষ্টর (এপ্রিল ২৬, ১৯৮৬): মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা অৱাবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি লৌনরিবা দিজাষ্টর অদু, মতম অদুগী সোভিয়েট য়ুক্রেনগী মনুংদা লৈবা চেরনোবিল ন্যুক্লিয়ার পৱার প্লান্টতা সেফটি টেষ্ট অমা চথরিঙৈদা রিয়েক্টর নম্বর ৪ দগী থোকপা হৌরকখি। য়াম্লবা রেদিওএক্টিব মেটরিয়েল থাদোরকখি। অহানবগী শিবগী মশিং ৩১ ওইখি, অদুবু রেদিয়েসননা মরম ওইদুনা অশাংবা মতমগী মনুংদা শিবা য়াবা মীগী মশিং অদুদি সাইন্টিফিক ওইনা পারগা লেপকদবা হিরম অমা ওইদুনা লৈরি।

বেঞ্জিহু কোলিয়রি দিজাষ্টর (এপ্রিল ২৬, ১৯৪২): চাইনাগী লিআওনিং প্রোভিন্সতা বেঞ্জিহু কোল মাইনদা গ্যাস অমসুং কোল দষ্ট পোকখায়বদা কার্বোন মোনোওক্সাইট পোইজনিংদা মাইনর ১৫৪৯ শিখি।






### ক্রোসৱার্দ ১১৩২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | O | M | B | ■ | A | C | E | D | ■ | O | P | T | E | D |
| E | V | E | R | ■ | L | O | V | E | ■ | N | A | I | V | E |
| T | A | L | E | ■ | A | H | E | M | ■ | O | L | D | I | E |
| A | L | D | E | R | M | E | N | ■ | ■ | ■ | E | E | L | S |
| ■ | ■ | ■ | D | O | O | R | ■ | A | B | U | T | ■ | ■ | ■ |
| A | S | P | E | N | ■ | E | S | S | E | N | T | I | A | L |
| C | H | E | R | ■ | ■ | ■ | L | E | N | I | E | N | C | E |
| T | A | R | ■ | F | A | R | E | A | S | T | ■ | N | O | V |
| E | P | I | L | O | G | U | E | ■ | ■ | ■ | H | E | R | E |
| D | E | L | A | R | E | N | T | A | ■ | V | E | R | N | E |
| ■ | ■ | ■ | T | E | D | S | ■ | P | E | E | R | ■ | ■ | ■ |
| S | A | G | E | ■ | ■ | ■ | T | O | R | T | O | I | S | E |
| A | V | E | R | T | ■ | P | O | L | O | ■ | I | D | E | A |
| C | O | N | A | N | ■ | T | O | L | D | ■ | N | O | E | S |
| K | N | E | L | T | ■ | A | L | O | E | ■ | E | L | S | E |

SL/Mocha/

# জে এফ দিনা কৌখিবা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎতুনা মফম কয়াদা লম্বী থীংখিবগী শক্তম















# শিলৈমানা লুচিংবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন'স হোক্কী টিম চাইনাগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি)ঃ

মণিপুরগী হোক্কী শান্নরোই খাইদেম শিলৈমা চনুনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন'স হোক্কী টিম চাইনাগী মোকিদা থা অসিগী ৪দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ ঐচ এফ ৱুমেন'স জুনিয়র এসিয়া কপ ২০২৬কীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে।

মিদফিল্ডর খাইদেম শিলৈমা চনুগী মেম্বর ১৮না শাবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন'স টিম অসিগী নৌনা খল্লবা কোচ তিম ৱাইতকী মখাদা নীংথিনা শেম শারবা মতুং চাইনাগী খোংচৎ অসি চৎখিবনি। তিম ৱাইটকী মখাদা ত্রেনিং তৌরিঙৈ মনুংদা চহী অসিগী জুলাই থাদা য়ুনাইটেদ কিংদমদসু এক্সপোজর টুরসু চৎলুরবনি।

হৌখিবা জুলাই ৫দগী ১৪ ফাওবা চৎখিবা য়ু কেগী টুর অদুদা ইদিনবর্গ অমসুং লিল্লেসাল্লদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কী টিমনা মেটচ ৭ স্কোটলেন্দ, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং বেলজিয়মগা শান্নখি। মেটচশিং অদুদা ইন্দিয়াগী টিমনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসবু গোল ৬-০দা, ইংলেন্দবু ২-০দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অসিনা স্কোটলেন্দগী সেনিয়র ৱুমেন'স টিম অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা বেলজিয়মগী অন্দর-২১ টিমগা শান্নবগী খুদোংচাবসু ফংখি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন'স হোক্কী টিম অসিনা চাইনাগীদমক খোঙশানদ্রিঙৈ মাঙওইন্না কোটচ তিম ৱাইটনা হায়, চাইনাদা এসিয়া কপ অসিদা নুংঙাইবা পোকই। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক্তা ঐখোয় নীংথিনা শেম শাবা লোয়রে। এসিয়াগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা টিমশিংগা শান্নগদৌরিবা অসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী টিমবু থাজবা থল্লি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱুমেন'স হোক্কী টিমনা য়ূম্বু চাইনা, জপান, কোরিয়া অমসুং মালেসিয়াগা পূন্না তামিন্নরি। ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ৫দা কোরিয়াগা শান্নদুনা কেম্পেইন হৌদোক্কনি।

# ফিফা ইন্টরনেসনেল মেটচ ৱিন্দোগীদমক কোচ খালিদ জামিলনা শান্নরোই ২৬কী মমিং লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি)ঃ

সেপ্টেম্বর - ওক্টোবর ফিফা ইন্টরনেসনেল মেটচ ৱিন্দোগীদমক্তা ইন্দিয়ান মেন'স নেসনেল ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ খালিদ জামিলনা শান্নরোই ২৬কী মিং লাউথোকখ্রে।



ব্লু টাইগরশিং অসিনা মঙারক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলগা ওক্টোবর ৩দা কোলকটাগী ভিবেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিরঙ্গনদা, অনীরক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা উরুগ্বেগা ওক্টোবর ৬তা কোলকটাগী ভিবেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিরঙ্গনদা শান্নদ্রিঙৈ মমাঙ থা অসিগী ২৬তা বেঙ্গলুরুগী শ্রী কন্তেরভা ষ্টেদিয়মদা পনামাগা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচশিং শান্নগনি।

মেটচ অহুম অসিনা ইন্দিয়ানা ৱার্ল্ড কপ চেম্পিয়নশিংগী মায়োক্তা শান্নবগী তাংলবা খুদোংচাবা ফংগদৌরি। টিম অহুমক অসিদা শান্নখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শান্নখিবা ঙাক্তনি।

কোচ জামিলনা হায়, ঐখোয়গীদমক্তদি মসি য়াম্না মরুওইবা ইন্টরনেসনেল ৱিন্দোনি। ৱার্ল্ড কপ্তা শান্নখ্রবা ব্রাজিল অমসুং উরুগ্বেগা কোলকটাদা অদুগা পনামাগা বেঙ্গলুরুদা থেংনগদৌরিবা অসিনা ঐখোয়গী শান্নরোইশিংদা য়াম্না মমল য়াম্লবা ইন্টরনেসনেল লেভেলগী এক্সপরিয়েন্স ফংহল্লগনি।

থা অসিগী ১৪দগী হৌদুনা ইন্দিয়াগী সেনিয়র মেন'স টিম অসিনা প্রিপরেটরি কেম্প বেঙ্গলুরুদা হৌরগনি। পানামাগা শান্নরবা মতুং ব্লু টাইগরশিং অসিনা মখোয়গী লেমহৌরিবা ফিক্সচর অনী অদুগীদমক সেপ্টেম্বর ২৮দা কোলকটাদা চৎক্কদৌরি।

সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর ফিফা মেন'স ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলিশিং অসিগীদমক খনগৎলবা শান্নরোই ২৬ অদুদি গোলকিপরদা অলবিনো গোমেস, গুরপ্রিট সিংহ সন্ধু, প্রভাশুখান সিংহ গীল অমসুং সোম কুমারনি।

দিফেন্দরদা অবিসেক সিংহ তেকচম, অকাস মিশ্রা, অনৱর অলি, বিজয় ভার্গেহসে, হমিংঙথানমৱাই রাল্টে, জে গুপ্তা, পরমভির, রিক্কী মীতৈ হাওবমনি। মিদফিল্ডরদা অনিরুদ্ধ থপা, অশিক কুরুনিয়ান, ফারুখ চৌধরি, লালেঙমাৱিয়া রাল্টে, মাকরতোন নিক্সন, মুহাম্মদ সানন, রিক্কি শাবোং, সাহল অব্দুল সামনি। ফোরৱার্দত ইদমুন্দ লালরিনদিকা, ইর্ফান য়াদৱাদ, মনভির সিংহ, রাহির অলি, রয়ন ৱিলিয়মস অমসুং বিক্রম প্রতাপ সিহনি।

অদুগা রিভার্জ প্লেয়রদনা গোলকিপরদা রিথিক টিৱারি, দিফেন্দরদা চিংলেনসনা সিংহ কোন্সম, অমসুং রোশন সিংহ নাওরেম অমদি মিদফিল্ডরদা সুরেস সিংহ ৱাংজমনি।

# উনাতি হুদা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে

হাংঝৌ, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি)ঃ

চাইনানা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা চাইনা মাষ্টর ২০২৬তা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন প্লেয়র উনাতি হুদা অমদি মেন'স দবলস প্লেয়রদা হরিহরন অমসাকরুন অমদি এম আর অজুর্নগী টিম অহানবা রাউন্দদা মায়থিবা নঙহৌরে।

সাউথ কোরিয়াগী মকোক থোংবা বেদমিন্টন প্লেয়র কিম গা-য়ুনগী মখুৎতা উনাতি হুদাবু ষ্ট্রেট সেতা ১০-২১, ১৮-২১দা মায়থিবা নঙহৌখিবনি।

অহানবা রাউন্দগী ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা উনাতি হুদানা অহানবা সেটতা সুপ্নতগী পোইন্ট ১০ তমক লৌবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা সেটতা পোইন্ট ১৮-১৮দা মান্না শান্নরল্লবা মতুং উনাতি হুদানা মহাক্কী মোমেন্তম মখা তানা ঙাক্তুনা থম্বা ঙমদবদগী ষ্ট্রেট সেট ওইনা অনীশুবা সেট অদু কিম গা-য়ুনগী মখুৎতা ১৮-২১দা মায়থিবা নঙহৌখিবনি।

অমরোমদা চাইনা মাষ্টর ২০২৬ অদুদা মেন'স প্লেয়র ওইনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা হরিহরন অমদি এম আর অর্জুনগী জুরা অদু চাইনাগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেদলিষ্ট চেন বো য়ান অমদি লিয়োলিগী মখুৎতা মায়থিবা নঙবদগী লীগ অসিদগী মপান থোকখ্রে।

# নুপীশিংতগী ওইবা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ সি আর পি এফকী ২৩২ (এম)শুবা বট্টালিয়ননা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা নুপীশিংতগী ওইবা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন রেস অমা থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্লগনি। লমশাং লমজেল অসি কংলাগী সনথোংদগী লমথারগদৌরিবা মরাথোন অসিদা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা নুপীশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

চাউখৎপা, মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগী পান্দমদা রন ফোর ইয়োরসেল্ফ, রন ফোর ইয়োর ফিটনেস অমসুং রন ফোর দি নেসন হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন অসি কংলাগী ৱেষ্টর্ন গেটতগী লাক্লগা এয়রপোর্ট রোদ য়ৌরল্লবা মতুং কংলাগী ৱেষ্টর্ন গেটতা লাক্তুনা লমথুংফম ওইগনি।

মরাথোন অসিগী প্রাইজ ওইনা অহানবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০গা লোয়নননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট, অনীশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৬কা লোয়নননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট, অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৪গা লোয়নননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট পীগদৌরি। মরাথোন অসিগী হান্না রেজিষ্টার তৌরকপা শান্নরোই ১০০ দা ইভেন্ট অসিগা মরী লৈনবা টি-সার্ট পীগনি হায়রি।

মরাথোন অসিগী অকূপ্পা মরোল ৮৭৫৩৮৩৩১৭০ নত্রগা ৬২০৪৯৬৯৮৭০ নত্রগা ৯৭৬০৫৯৪৫৬১দগী খঙলবা য়াগনি হায়না বট্টালিয়ন অসিগী কমান্দেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট লেভেল জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী ১১ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৪৪শুবা ষ্টেট লেভেল জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াহৌদবা জিম্নাষ্টশিংনা ২০২৭-২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈরোই। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অকূপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী নত্রগা ওর্গনাইজিং সেক্রেটরীদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা অসেম কেনেদিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ

অসাম রাইফল এন্দ শুটিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা গুৱাহাটিগী কাহিলিপরাগী কাহিলিপরা স্পোর্টস শুটিং রেঞ্জ অমসুং ৪শুবা এ পি বি কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৫দগী ৩০ ফাওবা চথরকখিবা ১৩শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা আই পি এস কাঞ্চিপুরগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল অসেম কেনেদিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকপদা স্কুল অসিগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কেনেদিনা মাষ্টর ২৫ মিটর সেন্তর ফিয়র পিষ্টোল মাষ্টরদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকপা ঙমখিবনি। অসেম কেনেদি নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন অমসুং মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসনগী সুটরসু ওইরি।

পনবা য়াবদি ১৩শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী সুটিং টিমনা গোল্ড ৭, সিলভর ১৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ য়াওনা পূন্না মেদল ৩১ লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তারকখিবনি।

# ২০ শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ ষ্টেটকী ফেন্সর অহুম্না এসিয়ান গেমসতা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ

জপানগী নাগোয়াদা চৎলিবা থা অসিগী তাং ১৯ দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২০ শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ গী ফেন্সিংদা ষ্টেটকী ফেন্সর ৩ না ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্নবগীদমক ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী কোচিং কেম্পগীদমক পঞ্জাব পাংখ্রে।



পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা ফেন্সরশিং অদুদি ৱাইখোম সোনিয়া দেবী, সনসম হেমাস সিংহ অমদি নাওরেম মিনা দেবীনি।

ফেন্সর ৱাইখোম সোনিয়া দেবী শুগনু মখা লৈকাইদগী ৱাইখোম ওজিৎ সিংহ অমদি ৱাইখোম ওংবী বিনোদিনি দেবীগী মচানুপীনি। মহাক এসিয়ান গেমস অসিদা ফোইল ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

সনসম হেমাস সিংহ উচেক্কোনদগী লৈবা সনসম বিগ্যাচন্দ্র সিংহ অমদি সনসম চিত্রা দেবীগী মচানুপানি। সনসম হেমাস সিংহনা হন্দক্কী এসিয়ান গেমস অসিদা ফোইল ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

নাওরেম মিনা দেবী খোংমন জোন-৫ ইষ্টতা লৈবা নাওরেম সুরজিৎ সিংহ অমদি নাওরেম ওংবী শান্তিবালা দেবীগী মচানুপীনি। মহাক হৌজিক ফিজিকেল এদুকেসনগী মহৈরোই অসিনা ফোইল ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

# সেনিয়র ৱার্ল্ড কপ রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপশিংদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা রেষ্টলশিংনা শরুক য়ারগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি)ঃ

চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-২৩ ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি সেনিয়র ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী রেষ্টলিং শান্নরোইশিংনা শরুক য়াগদৌরি।



রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা অন্দর-২৩ ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি সেনিয়র ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোকপগী মতম অসি য়াম্না নক্লবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রেষ্টলিং শান্নরোইশিংনা লৈবাক অসিবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্ননবগী ৱারেপ অসি লৌবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি য়ু এস এনা য়ূম্বু ওইদুনা ওক্টোবর ১২দগী ১৮ ফাওবা অন্দর-২৩ ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি কজগষ্টাননা য়ূম্বু ওইদুনা চহী অসিগী ওক্টোবর ২৪দগী হৌদুনা নবেম্বর ১ ফাওবা সেনিয়র ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্কদৌরি। রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মতুং ইন্না হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপশিং অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রেষ্টলরশিংনা শরুক য়ান্নবগী লৌরিবা ৱারেপ অসি তঙায়ফদনা মথৌ তাবা ত্রেনিং চথুবা ঙম্নবগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক্তা লৌবা অখন্নবা ৱারেপ অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ওগষ্ট ৩১দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা চথুখিবা সেলেক্সন ত্রাইয়েল অসিদা খনগৎলবা রেষ্টলিং শান্নরোইশিংনা অন্দর-২৩ ৱার্ল্ড কপ রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগনি হায়রিবা খনখৎলবা শান্নরোইশিং অসি সেনিয়র ৱালর্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সেলেক্সন ত্রাইয়েলদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়রি।

# ইষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইদুনা এ এফ সি ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্স লীগ মেটচ শান্নরগনি

কোলকটা, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি)ঃ

এ এফ সি ৱুমেন'স চেম্পিয়ন লীগ ২০২৬-২৭ অসিগী গ্রুপ মেটচ অহুম ইষ্ট বেঙ্গল এফ সিনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লগনি।

মালেসিয়াদা পাঙথোকপা প্রিলিমিনরি রাউন্দ য়ূম্বু ওইনবগী মেইন দ্রোদা ইষ্ট বেঙ্গলনা মায় পাক্তুনা এ এফ সি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন লীগ ২০২৬-২৭গী গ্রুপ মেটচ অহুম হোষ্ট ওইনবগী খুদোংচাবা অসি ফংখিবনি।

গ্রুপ মেটচ অহুম য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবগী খুদোংচাবা ফংখিবা অসিনা মরম ওইরগা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সি লৈবাক অসিগী অহানবা কন্তিনেন্টেল প্রেমিয়র ৱুমেন ক্লব টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা ক্লবসু ইষ্ট বেঙ্গল এফ সিনা ওইখ্রে।

# মেসি ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী পোত্থানবগী ৱারেপ লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সি)ঃ

ফুটবোল মশান্নদা চহী নৌরিবা অঙাংদগী হৌরগা চহী য়াম্লবা অহলশিংনা থোয়দোক্লা শক খঙনরবা অর্জেন্তিনাগী ফুটবোল প্লেয়র লিওনেল মেসি ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কনাদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬কী ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী মখূৎতা অর্জেন্তিনানা মায়থিবা নঙখিবা চায়োল ৬ তা ঙায়রিঙৈ চৈরক অসিদা ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী পোত্থনবা লিওনেল মেসিগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।



ফুটবোল মশান্নদা অর্জেন্তিনাগী মীয়ামদা নত্তনা মালেমগী ওইনা থোয়দোক্লা শক খঙনরবা ফুটবোল মশান্নবু হান্নদগী অমুক্কা হেন্না মালেমগী মীয়ামদা মশক খঙহনবা ঙমখিবা লিওনেল মেসিগী ইন্টরনেসনেল কেরিয়র মশাগী চহী ১৮তা ঙায়রিঙৈ ২০০৫তগী হৌরকখি। চহী অসিদা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল কেরিয়র হৌদোকপা মেটচ ওইনা বুদাপেষ্টতা হঙ্গেরিগা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুদা লিওনেলনা সবষ্টিট্যুট প্লেয়র ওইনা শান্নখিবা সেকেন্দ ৯০ খক্তমক ঙায়রিঙৈ মেটচ অদুবু কন্দক্ট তৌরিবা রেফরিদা উৎখিবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা লিওনেল মেসিবু মেটচ অদুদগী তাম্থোকখি।

ইন্টরনেসনেল কেরিয়রগী অহানবা মেটচতা ফজবা ইমেজনা কেরিয়র শেমগৎপা মায় পাকখিদ্রবা মতুং লিওনেল মেসিনা ২০০৬কী জুন থাদা জমর্নিদা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপতা সার্ভিয়া অমদি মোন্তে নেগ্রো অমদি অর্জেন্তিনাগা শান্নখিবা অদুদা অর্জেন্তিনানা গোল ৬-০দা মায় পাকখিবা মেটচ অদুদা লিওনেল মেসিনা ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া উৎথোকপা ঙমখি। মেটচ অদুদা লিওনেল মেসিনা গোল চন্দুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী মহাক্কী অহানবা গোল রেজিষ্টার তৌবসু ঙমখি।

২০১৪দা ব্রাজিলদা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অদুদা লৈবাক মীয়াম্না লিওনেল মেসিগী মশান্না য়েংনবগীদমক খৌরাংনা ঙায়নখি। মতম অদুদা মেসি স্পেনগী ফুটবোল জাইন্ত বার্সেলোনা ক্লবতা শান্নদুনা থোয়দোক হেন্দোক্লা ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া মাঙজৌন্না উৎথোকপা ঙমখ্রবা শান্নরোই অমা ওইবা ঙমদুনা লাকখ্রবনি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপতা লিওনেল মেসিগী ওইনা মহাক্কী কেরিয়র অসি অকা-অকুম নায়বা থেংনখি। জর্মনি অমদি সাউথ অফ্রিকানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ডশিংদা অর্জেন্তিনা ফাইনেল লৌবা ঙমদনা খঙতপ্তা মায়থিবা নঙদুনা লৈহৌখি। অসিদা নত্তনা ব্রাজিলগা শান্নখিবা কোপা আমেরিকা ফাইনেল মেটচতসু অর্জেন্তিনা মায়থিবা নঙহৌখি।

২০০৫তগী অর্জেন্তিনা নেসনেল ফুটবোল টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল কেরিয়র হৌদোরকখ্রবা মতুং ২০১৬ ফাওবা তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবা খোঙচৎ অদুবু নীঙমদবা ফাওদনা লিওনেল মেসিনা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল কেরিয়রদগী পোত্থারগনি হায়না ৱারেপ ফাওবা লাউথোকখি। অদুবু অর্জেন্তিনাগী মীয়াম অমদি মপুং ওইনা ফুটবোলদা ঙাওজবা মশিং য়াম্না মীওই কয়ানা তকশিলকপদগী ইন্টরনেসনেল কেরিয়রদগী লৌখিবা ৱারেপ অদু মহাক্না হন্দোকখি। ২০১৯দগী মালেমদা শন্দোরকখিবা কোভিদ পেন্দামিক্কী মতমদা ২০২১দা পাঙথোকখিবা কোপা অমেরিকাগী ফাইনেল মেটচতা অর্জেন্তিনানা ব্রাজিলবু গোল ১-০দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুনা মেসিগী খ্বাইদগী ইহান হানবা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ টাইতল লৌবা ওইখি।

মদুগী মতুং ২০২২দা কটারনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপতা ফ্রাঞ্জবু পেনাল্টি সুটআউটতা মায়থিবা পীদুনা দাইগো মরাদোনানা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইতল লৌখ্রবা মতুং ইকং থোক্তুনা লাকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল অমুক হন্না অর্জেন্তিনা লৌবদা লিওনেল মেসিনা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

অমরোমদা চহী অসিদা কনাদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং মেক্সিকোনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬কী ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী মখুৎতা অর্জেন্তিনা ১-০দা মায়থিবা নঙহৌখিবনি। ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬তা মায়থিবা নঙহৌখিবগী মিনোক মৈশা কয়া নঙখ্রবসু লিওনেল মেসিনা অর্জেন্তিনা খক্তগী নত্তনা মপুং ওইনা ফুটবোল মশান্নবু হান্নদগী অমুক্কা হেন্না শক তাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোই অমনা ইন্টরনেসনেল কেরিয়রদগী পোত্থানবগী ৱারেপ লৌখিবা অসিদা মশক নায়বা ফুটবোল প্লেয়রদা নত্তনা মশান্না অসিদা ঙাওজবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীয়াম্না নুংঙাইতবা, অৱাবা ফোঙদোক্লরকপা লেপ্লি।

WANTED PARTNERSHIP INVESTORS
Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....
Interested Investors Enquiry through Phone Calls only
Contact Us 87942 28735



SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com